

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, JUNE 28, 2018 PAGE 7


*এক্সিদেন্ট থোকপদগী স্পাইন শোক্তুনা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরিবী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন মশাগী চহী ২৭ তা ঙাইরিবী জর্মনিগী সাইক্লিষ্ট কৃষ্টিনা ভোগেল*

*রোমানিয়াগী মিহেলা বুরজানেস্কুবু মায়থিবা পীরদ্লগা ইষ্টবোর্ন ইন্টরনেসনেলগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকো*

# ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া

## সাউথ কোরিয়ানা মায়থিবা পীরম্বদগী মমাঙগী চেম্পিয়ন জর্মনি নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল থুপচিনখ্রে, স্বিদেননা মেক্সিকো থোইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন চঙখ্রে



*সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই য়ং গোন কিমনা জর্মনিগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

*মোস্কো, জুন ২৭ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্ন ওইদুনা শান্নরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এফকী মেটচশিং দা সাউথ কোরিয়ানা মমাঙগী চেম্পিয়ন জর্মনিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল থুপচিনখ্রে। স্বিদেননা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন চঙখ্রে।

সাউথ কোরিয়া অমসুং জর্মনিনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এফ' কী মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা অমনা অমগী মায়োক্তা বোল পুশিন্নদুনা এটেক তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি।

অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতমদা নাকল অনীদগী এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা মমাঙগী চেম্পিয়ন জর্মনিনা এটেক হেন্না তৌবা ঙমখ্রবসু সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্দরশিংনা অদুনা মখোয়গী গোল অদু নীংথিনা ঙাক্তুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদু লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মতমগী ৩শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা য়ং গোন কিমনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জর্মনিবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ইনজুরি টাইম অদুগী ৬শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা হ্যুং মিন সোননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা জর্মনিবু ২-০ দা মায়থিবা পীখিবদগী মমাঙগী চেম্পিয়ন জর্মনি নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা স্বিদেননা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। স্বিদেন অমসুং মেক্সিকোনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা স্বিদেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লুদৱিং ওগষ্টিনসননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেক্সিকোবু ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা স্বিদেননা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই এন্দ্রিয়াস গ্রাঙ্কভিষ্টনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেক্সিকোবু ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা স্বিদেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মেক্সিকোগী শান্নরোই ইদিসন অলভারেজনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা স্বিদেননা মখোয়বু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ঙমখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আর্জেন্টিনানা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ঙমখ্রে।

আর্জেন্টিনা অমসুং নাইজেরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা ওইখি। মেটচ অদুদা মায় পাকপা টিম অদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ওইবনা অমনা অমবু হেনঙ্গিনবা ঙম্নদনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্টেন লিওনেল মেসিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৩০ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু আর্জেন্টিনানা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই জেবিয়র মাস্কেরানোনা নিয়ম লান্না ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা নাইজেরিয়াদা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঞ্জল শোয়দনা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই ভিক্তর মোজেসনা চনশিন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা মেটচ অদু মায় পাক্তুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ঙম্নবগীদমক নাইজেরিয়াগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক হঙ্গিন-হঙ্গিন তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ৮৬শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা মার্কোস রোজোনা টিম অদুগী মরুওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা নাইজেরিয়াবু ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবগী য়াবগী লম্বেল নকশিনহনখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা আর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবা অমদি নাইজেরিয়াগী মায়কৈদগীসু ইক্বেলাইজর ওইবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু আর্জেন্টিনানা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ 'দি' দা অনীশুবা পোজিসন ফংদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মাঙজৌননা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবা ঙমখ্রবা ক্রোএসিয়ানা আইসলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।


ক্রোএসিয়া অমসুং আইসলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচ ৫৩শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মিলান বাদেজিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা আইসলেন্দবু ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ক্রোএসিয়া অমসুং আইসলেন্দগী মেটচ অদু মতম খরা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা আইসলেন্দনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই গাইফি সিগরসননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং ক্রোএসিয়া অমসুং আইসলেন্দনা অহেনবা পাঞ্জল থিনদুনা এটেক কয়া চথনবা হৌরকখি। অদুবু শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইভান পেরিসিকনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ক্রোএসিয়ানা আইসলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী মকোক ওইবা ঙমখি।



*স্বিদেনগী শান্নরোই লুদৱিগ ওগষ্টিনসননা মেক্সিকোগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা*



*নাইজেরিয়াগী মায়োক্তা মায় পাকপগী পাঞ্জল চানখিবা আর্জেন্টিনাগী মার্কোস রোজোবু টিমমেট মেসিনা থাগৎপা*

| MATCH ON 26-06-2018 | |
|---|---|
| **Group H** | |
| Japan vs Poland | 07:30pm |
| Colombia vs Senegal | 07:30pm |
| **Group G** | |
| England vs Belgium | 11:30pm |
| Tunisia vs Panama | 11:30pm |

## ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর মনু ভাকরনা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপকী মিটর ১০ এয়র পিষ্টোলদা অনৌবা জুনিয়র রেকোর্দ থন্নগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে

*সুল, জুন ২৭ঃ*

জর্মনিগী সিটি সুলদা চথরিবা আইএসএসএফ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংদা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর মনু ভাকরনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা অনৌবা জুনিয়র ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর মনু ভাকর ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ইভেন্ট অসিমক্তদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবী সুট্টরনি।

জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ সুট্টিং ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকরনা পোইন্ট ২৪২.৫ ফংদুনা অনৌবা জুনিয়র রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদু চাইনাগী সুট্টর লু কাইমাননা পোইন্ট ২৩৬.৯ দা ফংবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা অতোপ্পা চাইনাগী সুট্টর লি ঝুনা পোইন্ট ২১৬.২ দা লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী সুট্টর ইসা সিংহ, মাহিমা টুরহি অগরৱাল, দেভান্সি রানা অমসুং দেভান্সি ধমা মথংশিংনা ১৬, ২৮, ৪১ অমসুং ৫২শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসনদা চাইনানা পোইন্ট ১৭১০ দা গোল্ড মেডল লৌখি। ইটালিনা পোইন্ট ১৭০১ দা সিলভর মেডল ফংলগা ইন্দিয়াগী টিম্না পোইন্ট ১৬৯৪ দা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালা পোইন্ট ২৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি। ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা জেক রিপব্লিক্কী সুট্টর মাটেজ রামপুলানা পোইন্ট ৩০ দা ফংখি। অদুগা সিলভর মেডল অদুনা চাইনাগী সুট্টর ঝাং জুয়েনিংনা পোইন্ট ২৮ দা লৌখি। ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী টিম পোইন্ট ১৭০১ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিক্স ত্রেপ ইভেন্টতা ইটালিনা পোইন্ট ৪০ দা অনৌবা জুনিয়র রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল ফংখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না পোইন্ট ৩৯ দা লৌখি।

মিক্স ত্রেপ ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদু বলগেরিয়াগী টিম্না পোইন্ট ৩০ লৌদুনা ফংখি। অদুগা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী টিম পোইন্ট ১৮ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।



## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বি স্রিকান্থ মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



*পি ভি সিন্ধু*



*কিদম্বি স্রিকান্থ*



*সাইনা নেহৱাল*

*কোলা লম্পুর, জুন ২৭ঃ*

মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা চথরিবা য়ুএস দোলর ৭০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী সিঙ্গলস মেটচশিং মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বি স্রিকান্থ অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী আয়া ওহোরিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা গেম সিন্ধুনা য়াম্না ৱানা ওহোরিবু ২৬-২৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা জপানগী ওহোরিবু ২১-১৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী চিয়াং য়িং লিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১-১৪, ১৯-২১, ২১-৭ দা থোইরম্বী মালেসিয়াগী লি য়িং য়িংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাললনা হোং কোংগী শান্নরোই য়িপ পুই য়িনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১২, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী আয়ুষ্টিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা ১৭-২১, ২১-১২, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরম্বী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরগনি।

মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা দেনমার্ককী জান ও জোর্গেনসেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই বি সাই প্রনিথপু ২১-১২, ২১-৭ দা থোইরম্বা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই ৱাং ঝুৱৈগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সমির বর্ম অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোগী মখূত্তা ১৩-২১, ৫-২১ দা মায়থিহৌবদগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী এস রানকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি অহানবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী টাকুটো ইনৌ অমসুং য়ুকি কানেকোগী মখূত্তা ১৬-২১, ১৫-২১ দা মায়থিহৌখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী প্রনভ জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী ঝেং অমসুং স্বাংনা ২১-১৬, ২১-১২ দা মায়থিবা পীরমখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গ অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ৮শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী হি জিটিং অমসুং দু য়ুগী মখূত্তা ৯-২১, ১০-২১ দা মায়থিহৌবদগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখিদ্রে।

## চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিদা ইন্দিয়া ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে

*ব্রেদা, জুন ২৭ঃ*

নেদরলেন্দসনা য়ুম্ব ওইরগা মালেমগী মকোক থোংবা হোক্কি শান্নবা লৈবাক ৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়াবু ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরগী ৬শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই লাক্লান সার্পনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

ক্বার্টর অদুগী ১০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু সিমরনজিত সিংহনা চনখি।

ক্বার্টর অদুগী অরোইবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অদুগী শান্নরোই টোম ক্রেজনা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা অহানবা হাল্ফ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু ২-১ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অহুম গ্রিন কার্দ ফংদুনা মখা তানা মেটচ য়াওবা য়াদনা মপান থোকখি। অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অমসু গ্রিন কার্দ ফংবদগী তান্থোকখি।

শান্নরোই অনী ৱাৎলবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ত্রেন্ট মিট্টননা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ৩-১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই হরমনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোকখ্রবসু ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।